# হেরিগী পাঞ্জল ২গী মতেংনা য়ুক্রেনবু ইংলেন্দনা ৪-০দা থোইরগা সেমীফাইনেলদা দেনমার্ককা লম্বা তৌনরগনি



রোম, জুলাই ০৪ (এজেন্সী): যুরোপিয়ন ফুটবোলগী ঙরাং নোংয়াই মতুংদা শান্নবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা ইংলেন্দগী কেপ্টেন হেরি কেননা পাঞ্জল ২গী মতেং পীখিবা অমদি অতোপ্পা শান্নরোয় অনীনা পাঞ্জল অমমম্ চল্লগা য়ুক্রেনবু ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেলদা দেনমার্কক লম্বা তৌনরগনি।

ইটালিগী কোনুং রোমদা লৈবা ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা ইংলেন্দ অমসুং য়ুক্রেন লম্বা তৌনরকখি। ষ্টেদিয়ম অদু কোভিদ-১৯গী কাঙলোন ঙাকপা ওইনা অপীবা ভাবোকী মশীং অদু শুপ্নতগী চাদা ২৫ মীৎয়েং তাহন্দুনা ভাবোক মশীং লিশিং ১৬ রোম তিনখি।

শান্নবগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ৪শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী নহা ওইরিবা ষ্ট্রাইকর রহিম ষ্টর্লিংনা খায়দোরকপা বোল অমা কেপ্টেন হেরি কেননা অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। পাঞ্জল অদুগী মতুং ইংলেন্দ অথুবদা মখা তাবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লৈখি। য়ুক্রেনগী মায়কৈদগীসু অকনবা মওংদা ইংলেন্দগী দিফেন্দর-শিংদা প্রেসর পীদুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ লোইশিনবা ফাওবা অহেনবা পাঞ্জল লৈতনা ইংলেন্দনা ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১ চঙশিল্লকপদা ইংলেন্দগী অথুবা এটেক অমদা লুক সোনা ইন্থোরকপা বোল অমা হেরি মেগ্যেরনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিনখি। অদুবু মিনট ৪ লৈরগা লুক সোনা অমুক্কা হন্না পীখিবা বোল অমদা কেপ্টেন হেরি কেননা মহাক্কী অনীশুবা অদুগা টিমগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা সেমীফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিনখি। মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী জোর্দান হেন্দরসননা মহাক্কী শান্নমিন্নরোয় মেন্সন মাউন্টনা খায়রকপা বোল অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৪-০দা থোইরগা দেনমার্কক সেমীফাইনেলদা থেংনগদৌরিবনি।

| EURO 2020 SEMIFINAL FIXTURES |
| --- |
| Wednesday, 7 July (12:30 AM IST, Wembley Stadium, London)<br>**Italy vs Spain** |
| Thursday, 8 July (12:30 AM IST, Wembley Stadium, London)<br>**England vs Denmark** |

# মেসিগী মতেংনা ইক্কাদোর থোইদুনা অর্জেন্টিনা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে, কলম্বীয়ানা পেনাল্টিদা উরুগুৱে থোইখ্রে



ব্রাসিলা, জুলাই ০৪ (এজেন্সী): মমিং লৈরবা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় লিওনেল মেসিনা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্বগা লোয়ননা গোল ২ এসিষ্ট তৌখিবা অদুগা ফ্রী কিক অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইক্কাদোরবু ৩-০দা থোইরগা কোপা অমেরিকাগী সেমীফাইনেলদা কলম্বীয়াগা থেংনরগনি। অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা কলম্বীয়ানা উরুগুৱেবু পেনাল্টি শুট আউটতা মায়থীবা পীখি।

ব্রাসিলা সিটিগী পেদ্রো লুদোবিকো ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা অর্জেন্টিনা অমসুং ইক্কাদোর কোপা অমেরিকা কপকী ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌনরকপদা লিওনেল মেসিনা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঞ্জল ২ চনবদা বোল সপ্লাই তৌখিবা অমদি লোইশিল্লকপদা ফ্রী কিক অমা পাঞ্জল ওইদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৩-০দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌরকখি। মহাক্কী প্রোফেসনেল করিয়রদা ফ্রী কিকতা পাঞ্জল চনবা ঙম্বগী মশীং অসি ৫৮ শুদুনা মহাক্কী লম্বা ওইরিবা পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোদগী মশীং অমা হেনবা ঙমখি।

ঙসি অয়ুক অঙনবগী মেটচ অদুগী অহৌবা পুংখায় ১ ফাওবদি অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয়শিং অদুনা ইক্কাদোরগী মায়কৈদা বোল তকশিনবা ঙমখিদে। ৪০শুবা মিনটতা মেসিগী পাস অমদা রোদ্রিগোনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অনীশুবা হাফকী লোইরমদাই ৮৪শুবা মিনটতা মেসিনা অমুক্কা হন্না পীবা বোল অমদা লোটারোনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা এক্সট্রা টাইমগী ৩শুবা মিনটতা মেসিনা ফ্রী কিকতা পাঞ্জল ১গা চনখি।

নেসনল ষ্টেদিয়মদা ঙসি অঙনবদা শান্নবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা উরুগুৱে অমসুং কলম্বীয়া লম্বা তৌনবদা অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নদবদগী পেনাল্টি কাওনবদা কলম্বীয়ানা ৪-২দা থোইখি। উরুগুৱেগী মায়কৈদগী জিমেনেজ অমসুং মাটিয়াজ মখোয়গী কিকশিং অদু পাঞ্জল ওইহৌদবনি।

| COPA AMERICA SEMIFINAL FIXTURES |
| --- |
| Tuesday, July 6 at 4:30 AM IST (Olympic Stadium)<br>**Brazil vs Peru** |
| Wednesday, July 7 at 6:30 AM IST<br>(Estadio Nacional de Brasília)<br>**Argentina vs Colombia** |

# এ আই বি এনা বাউট রিভিয়ুগী মশীং অহুমদা হেনগৎহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৪ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসন (এ আই বি এ)না মশান্না অসিদা জজশিংগী ওইবা ৱারেপশিং অদু হেন্না মনুং-মপান ফাওনা লৈহন্নবগীদমক্তা কম্পিটিসন অমদা শরুক য়ারিবা টিমশিংগী মায়কৈদগী মমাংদা লৈরম্বা বাউট অমগী রিজল্ট অদু রিভিয়ু তৌবগী মশীং অদু অহুমদা হেনগৎহনখ্রে। লোয়ননা মদুদা রিভিয়ু তৌরক্লিবা টিমশিং অদুনা মায় পাক্তবা মতমদা ফাইন ওইনা য়ু এস দোল্লর ১,০০০ পীবগী চৎনবী অদুসু লৈহনখিদ্রে।

বাউট রিভিয়ু সিষ্টম অসি ইহান হানবা ওইনা ২০১৯দা হৌদোক্লগা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোকপা য়ুঠ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অমসুং হৌখিবা থাদা দুবাইদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা শীজিন্নখি। এ আই বি এগী সেক্রেটরি জেনরেল ইসভান কোবাক্সনা তোঙান-তোঙানবা নেসনল ফেদরেসনশিংদা ইখিবা চেরোলদা রিভিয়ু সিষ্টমগী চৎনবী অসি খূদক্তগী হৌরগনি। অদুগা চৎনগদবা কম্পিটিসনশিং অদু এ আই বি এনা শিনবা নৎত্রগা মখোয়না মতেং পাংবা মরুওইবা টুর্নামেন্টশিং ওইগদবনি। অসিগুম্বদা এলিট অমসুং য়ুঠ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অমসুং এলিট এন্দ য়ুঠ কন্টিনেন্টেল চেম্পিয়নশিপশিংদসু চৎনরগনি। মমাংদা বাউট রিভিয়ু তৌবগী মশীং অদু অনীখক্তমক ওইরম্বদগী অহুমদা হেনগৎখিবনি। টিম অমগী হেদ কোচ নৎত্রগা মেনেজরনা বাউটগী রিজল্ট মতুং মিনট ১৫গী মনুংদা কমপ্লেন তৌবা য়াগনি।

# রোজর ফেদরর নুপাগী সিঙ্গলসকী মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে, ইন্দিয়াগী বোপানা অমসুং মির্জা মিক্সকী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



লন্দন, জুলাই ০৪ (এজেন্সী): ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অহুমশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ৪শুবা রাউন্দ (প্রি ক্বার্টর ফাইনেল) য়ৌখ্রে। নাকল অমরোমদা, মিক্স দবলসকী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী প্যের সানিয়া মির্জা অমসুং রোহন বোপানা অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

রোজর ফেদররনা ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা গ্রেট বৃটেনগী কেমরুন নুরিবু ৬-৪, ৬-৪, ৫-৭, ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক ইটালিগী এল সোনিগোগা লম্বা তৌনরগনি। পনবা য়াবদি, রোজর ফেদরর নুপাগী কাঙলূপ্তা গ্রান্দস্লাম টাইটল ২০ লৌবা ঙমদুনা স্পেনগী রফেল নদালগা রেকোর্দ থম্মিন্নরি। মহাক্না ৱিম্বলদন টুর্নামেন্ট অসিগী সিঙ্গলস টাইটল ৮লক লৌবা ঙমদুনা ফজবা রেকোর্দ থল্লি।

মিক্স দবলসকী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং সানিয়া মির্জানা ঙরাং শান্নখিবা ২শুবা রাউন্দদা গ্রেট বৃটেনগী প্যের এ মেকহ্যুজ অমসুং ঈ ৱেল্লে স্মিথপু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৩, ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা নেদরলেন্দসকী জে জে রোজর অমদি স্লোভেনিয়াগী এ ক্লিপাককা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় দিবি সারননা গ্রেট বৃটেনগী মুরে সারনগা প্যের ওইদুনা ২শুবা রাউন্দ শান্নরক-পদা সাউথ অফ্রিকাগী আর ক্লাসেন অমসুং ক্রোএসিয়াগী দি জুরাককী প্যেরগী মখূৎতা ৬-৩, ৬-৭ (১-৭), ৩-৬তা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টিনা অহুমশুবা রাউন্দদা চেক রিপব্লিককী কে সিনিয়াকোভাবু ৬-৩, ৭-৫দা থোইদুনা ৪শুবা রাউন্দদা লাটভিয়াগী এ সেবাষ্টোভাবু মায়থীবা পীরম্বী চেক রিপব্লিককী অতোপ্পা শান্নরোয় বার্বোরা ক্রাইচিকোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী ৪শুবা সিদেদ এন্দ্রি জ্বেরেভনা য়ু এসকী টি ফ্রিটজপু থোইদুনা ৪শুবা রাউন্দদা কানাদাগী ওগরগা থেংনরগনি।

# সর্ভিয়াগী ওলিম্পিক রোৱিং টিমগী মেম্বর কোভিদ পোজিটিভ ওইরে



টোকিও, জুলাই ০৪ (এজেন্সী): থা অসিগী ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়ানবগীদমক লাকখিবা সর্ভিয়াগী রোৱিং টিমগী মেম্বর অমা টোকিও য়ৌরক্লবা মতুং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবা থেংনরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

জপানগী পাউগী এজেন্সী কিয়োদোগী রিপোর্ট অমদা ঙসি জপানগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলগী ৱাফম পল্লদুনা টোকিওগী হনেদা এয়রপোর্টতা থুংলখিবা সর্ভিয়াগী ওলিম্পিক রোৱিং টিমগী মেম্বর অমা পোজিটিভ ওইরকখিবনি। লোয়ননা মহাক্না লোয়নরকখিবা অতোপ্পা মেম্বর ৪ এয়রপোর্টকা নক্লনা লৈবা কোভিদ ফেসিলিটিদা থমখ্রে হায়রি।

মখোয় মফম অদুদগী সেন্ট্রেল জপানগী মফম অমা ওইরিবা নান্টোদা রোৱিংগী ট্রেনিং কেম্প চথুনবা হান্না মতম লেপখিবনি। মখোয়গী মেম্বর পোজিটিভ ওইরকপদগী ট্রেনিং কেম্প অদু কেন্সেল তৌরবা য়াই হায়রি। নীংশিংবা য়াবদি, সর্ভিয়াগী মেম্বর পোজিটিভ ওইরকখিবা অসিগী মাংওইননা য়ুগান্দাগী দেলিগেট ২সু হৌখিবা থাদা পোজিটিভ ওইখিবনি।

# ওলিম্পিক শরুক য়াগদৌরিবী জুদোকা লিকমাবম শুশিলাগীদমক সাইনা অখন্নবা কেম্প শিনখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৪ (এজেন্সী): থা অসিগী ২৩দগী জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা জুদো দিসিপ্লিনদা শরুক য়াগদৌরিবী মণিপুর মচা লিকমাবম শুশিলানা শেম শাবা ঙম্নবগীদমক স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা থা অসিগী ৯দগী স্প্যেরিং পার্টনর অনীগা লোয়ননা অরোইবা ট্রেনিং কেম্প অদু পাঙথোক্কদৌরি।

ন্যু দেল্লীগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা কিলোগ্রাম ৪৮গী কেটগোরিদা ওলিম্পিক শরুক য়াগদৌরিবী লিকমাবম শুশিলাগীদমক মহাক্কী সসাস্ত্র শিমা বল (এসএসবি)গী টিমমেট ওইরিবী মোংজম কবিতা (কিলোগ্রাম ৪৮) অমসুং নিংথৌজম সর্দা (কেজি ৫২)না স্প্যেরিং পার্টনর ওইরগা অরোইবা ওইনা মহাক্কী পর্ফোর্মেন্স অদু হেনগৎনবগীদমক ট্রেনিং চথুগদৌরি।

জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মগী অনৌবা হোষ্টেলদা লৈরিবা টেবল টেন্নিস হোলদা অরোইবা কেম্প অদু শিন-লাংলি। মহাক্কী স্প্যেরিং পার্টনর ওইরিবা মোংজম কবিতা কুমজা ২০১৪গী গ্লাসগো কমনৱেল্থ গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। অদুগা নিংথৌজম সর্দানা কুমজা ২০১৮গী নেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপতা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

হৌজিক-হৌজিকশুশিলা ফ্রান্সকী সাটো গোর্ন্টিয়রদা লৈঙাক্কী মখাদা শিনবা মিসন ওলিম্পিক সেলনা থা ১গী ওইবা ট্রেনিং চথুহনখিবনি। মফম অদুদগী হল্লক্লগা শুশিলানা ন্যু দেল্লীগী অরোইবা ট্রেনিং কেম্প অদু শরুক য়াবা লোইরবা মতুং মহাক্কী কোচ জিবন শর্ম্মাগা লোয়ননা টোকিওগীদমক খোঙশানগদৌরিবনি।

# মিথালি রাজনা নুপীগী ক্রিকেটকী অনৌবা রেকোর্দ থমখ্রে



চেন্নাই, জুলাই ০৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেটকী কেপ্টেন ওইরিবী মিথালি রাজনা নুপীগী ইন্টরনেসনল ক্রিকেটতা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা ঙম্বগী রেকোর্দ অদু থমখ্রে।

মিথালি রাজনা ৱান দে ইন্টরনেসনলগী ইন্নিংস ১৬৪ শান্নরকপদা পূন্না রন ৬০২৮ লৌদুনা হান্না ইংলেন্দগী বেটসমেন চার্লোট এদৱার্দসনা লৌরম্বর রন ৫৯৯২ অদুদগী হেল্লগা অনৌবা নুপীগী ক্রিকেটতা রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবনি।

হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসি ইংলেন্দগী টিমগা সেরিজ শান্নরি। মদুদা মমাং থাগী ১৬তা শান্নখিবা নুপীগী অহানবা মালেমগী ওইবা টেষ্ট মেটচ অদু দ্রো চৎখি। মদুগী মতুং জুন ২৭ অমসুং ৩০দা শান্নবা ৱান দে ক্রিকেট মেটচ অনী ইন্দিয়া মায়থীবা নংখি। অদুগা অহুমশুবা ওইনা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৪দা থোইবা ঙমখিবনি। টিম অনীনা টি-২০ মেটচ অহুমসু মখা তানা শান্নখিগনি। জুলাই ৯দা অহানবা, ১১দনা অনীশুবা অদুগা ১৫দনা অহুমশুবা টি-২০ মেটচ অদু শান্নগনি।

মিথালি রাজনা ইংলেন্দগা শান্নবা ৱান দে মেটচ অহুম অদুদা মথংশিংনা রন ৭৫, ৫৯ অমসুং ৭২ লৌবা ঙমখি। মহাক্কী রেকোর্দ অসি অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনা লাম্থোক্লবা হোৎনবদা মতম শাংনা চঙখিগনি হায়না ক্রিটিকশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

# ইন্দিয়াগী হরিকা ৱিমেন্স স্পীদ চেছ চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা চাইনাগী য়িফানগী মখূৎতা মায়থীখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৪ (এজেন্সী): য়ু এস দোল্লর ৬৬,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা ৱিমেন্স স্পীদ চেছ চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকা ফাইনেলদা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর হৌ য়িফানগী মখূৎতা মায়থীহৌরে।

মমাং থাগী ১০দগী হৌরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা সেমীফাইনেল রাউন্দদা পূন্না শান্নরোয় ১৬না লম্বা তৌনরকখিবনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী দ্রোনাভালি খক্তা নৎতনা কোনেরু হম্পী অমসুং আর ভৈশালি শরুক য়াখি। মখোয় অনী প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌখি।

অমরোমদা, দ্রোনাভালি হরিকানা প্রি ক্বার্টরদা রসিয়াগী অলেকজেন্দর কোষ্টেন্যুকপু ১৪.৫-১২.৫দা মায়থীবা পীখি। অদুগা ক্বার্টর ফাইনেলদনা য়ুক্রেনগী গ্রান্দমাষ্টর অনা মুজিচুকপু পোইন্ট ১৩.৫-৮.৫দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকখিবনি। সেমীফাইনেলদা মহাক্না জিওর্জিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর নানা জগনিজপু মায়থীবা পীরম্বী রসিয়াগী কেটেরিনা লেগনোগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না অকনবা প্রেসর মায়োক্নখি।

পূন্না গেম ২৮ শান্নবদা দ্রোনাভালি হরিকানা কেটেরিনা লেগনোবু য়াম্না নক্লবা স্কোরদা পোইন্ট ১৪-১৩দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকখি। অমরোমদা, হরিকাগী ফাইনেল লম্বা ওইখিবী চাইনাগী হৌ য়িফাননা প্রি ক্বার্টরদা অঝরবৈজানগী গুলনরবু থোইখি। ক্বার্টর ফাইনেলদনা কজাখষ্টানগী বিবি সারাবু থোইরকখি। অদুগা সেমীফাইনেলদা চাইনাগী অতোপ্পা শান্নরোয় লৈ কিংজেবু থোইরম্বনি। ফাইনেলদা হরিকাবু য়িফাননা পোইন্ট ১৫-১৩দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।


# EMPLOYMENT NEWS


- IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
- SAMUROU BRANCH :- Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
- MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2

OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,
IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490

HL-B/6970/28/6-18/7


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 160**

**Danzer, Joana (1098) - Mass, Elvira (1281)**
**GER ch g14 Oberhof (8), 1999.05.28**

| | | |
| --- | --- | --- |
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nc3 d5 |
| 4.Nf3 Be7 | 5.Bf4 O-O | 6.e3 c5 |
| 7.Bd3 dxc4 | 8.Bxc4 Nc6 | 9.O-O cxd4 |
| 10.exd4 Na5 | 11.Be2 b6 | 12.Qd3 Nd5 |
| 13.Nxd5 Qxd5 | 14.Ne5 Qd8 | 15.Rac1 Bb7 |
| 16.Rfd1 Bg5 | 17.Bxg5 Qxg5 | 18.Bf3 Bxf3 |
| 19.Qxf3 Qe7 | 20.d5 exd5 | 21.Qxd5 Rfd8 |
| 22.Qb5 Qg5 | 23.a4... | |

**QUESTION :**

**White to win or draw**

**Puzzle 159 Ans. :**

21. Qe8 +Rd8 22. Qxd8+The white queen decoys Black's king. Kxd8 23. Bf6+Double check Kc8 24. Rd8#Backrank mate
21. Qe8+ Rd8 22. Qxd8+ Kxd8 23. Bc3+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com